www.fatherslove letter.com




নহাক্কী স্বর্গগী ইপাবু শাক তাকপা

# ঐগী ইচা,

নংনা ঐবু কনানো হায়বা খঙলোই, অদুবু নংগী মরমদা ঐদি লোইনা খঙই।...ঈশৈ ১৩৯ঃ১ নংনা হৌগৎপা মতম অমসুং ফম্বা মতম ঐদি লোইনা খঙই।...ঈশৈ ১৩৯ঃ২ নংগী লম্বী খুদিংমক ঐনা লোয়না খঙই। ...ঈশৈঃ ১৩৯ঃ৩ নংগী নকোক্তা হৌরিবা শম মশিং ঐনা খঙই। ...মথি ১০ ২৯-৩১ মরমদি নং ঐগী শক্তম লৌদুনা শেম্বখি। ...মৈহৌঃ ১ঃ২৭ ঐঙোন্দা নং হিংলি, লেঙলি অমসুং নংগী অপুম্বা ঐঙোন্দা লৈ। ...পাউখোঃ ১৭ঃ২৮ মরমদি নং ঐগী ইচানি। ...পাউখোঃ ১৭ঃ২৮ নংবু মীরোলদ্রিঙৈ মমাংদগী ঐনা নংবু খঙই। ...যারেমাইঃ ১ঃ৪-৫ তাইবঙ লৈশেম্বদগী ঐনা নংবু খন্দোক্লে। ...এফিঃ ১ঃ১১-১২ নংসে শোইদুনা ওইরকখিবা নত্তে, মরমদি নংগী নুমিৎ মশিংশিং ঐগী লাইরিক্তা লোয়না ইশিল্লে। ...ঈশৈঃ ১৩৯ঃ১৫-১৬ ঐনা নংগী পোক্কদবা অচাবা মতম অমসুং কদায়দা লৈগদবা মাংজৌননা য়াৎখি। ...পাউখোঃ ১৭ঃ২৬ অকিবা অমসুং অঙকপা মওংদা ঐনা নংবু লৈশেমখি। ...ঈশৈঃ ১৩৯ঃ১৪ নমাগী পুক্তা নংগী শকওং ঐনা মীতমখি। ...ঈশৈঃ ১৩৯ঃ১৩ অদুগা নংনা পোক্কদবা নুমিৎতা ঐনা নংবু তাইবঙদা পুরকখি। ...ঈশৈঃ ৭১ঃ৬ ঐবু খংদবা মীওইশিংনা নঙোন্দা ঐগী মরমদা শেরানননা তাকপিরে। ...যোহান ৮ঃ৪১-৪৪ ঐ নঙোন্দগী লাপ্না লৈতে অমসুং শাওদে, অদুবু মপুং ফানা ঐগী নুংশিবা উৎলি। ...১ যোহান ৪ঃ১৬ অদুগা ঐগী নুংশিবা অসি নঙোন্দা মপুং ফানা উৎনিংই। ...১ যোহান ৩ঃ১ মরম্দি নং ঐগী ইচানি অদুগা ঐনা নংগী নপানি। ...১ যোহান ৩ঃ১ নংগী অপোকপা নপানা পীবদগী ঐনা হেন্না পী। ...মথি ৭ঃ১১ মরমদি ঐদি মপুং ফারবা অফবা মপা অমনি। ...মথি ৫ঃ৪৮ নংনা ফংলিবা অফাবা খুদোল খুদিংমক ঐঙোন্দগী লাকপনি। ...যাকুব ১ঃ১৭ মরমদি ঐনা নংবু পী অমসুং নঙগী অৱাৎপা খুদিং মেনশিনবী। ...মথি ৬ঃ৩১-৩৩ ঐনা নঙগী তুংগীদমক শিনবা থৌরাং খুদিংমক আশানা পিক থল্লি। ...যারেমাইঃ ২৯ঃ১১ মরম্দি ঐনা নংবু লোয়নাইদ্রবা নুংশিবগা লোয়ননা নুংশি। ....যারেমাইঃ ৩১ঃ৩ ঐনা নংগীদমক খনবা ৱাখলদি সমুদ্রা খোংবালগী লৈঙোই মশিংদগী হেল্লি। ...ঈশৈঃ ১৩৯ঃ১৭-১৮ অদুগা নংনা ঈশৈ শকপদা ঐনা হরাওজে। ...জাফানইঃ ৩ঃ১৭ ঐনা নংগীদমক অফবা তৌবা কৈদৌঙৈদসু লেপলোই। ....যারেমাইঃ ৩২ঃ৪০ মরমদি নংদি ঐগী মাংলরোইদ্রবা লননি। ...খোংশাঃ ১৯ঃ৫ ঐগী পুক্লিং অমসুং থৱায় য়াওনা নংবু শেমগৎনিঙই। ...যারেমাইঃ ৩২ঃ৪১ অদুগা ঐনা নঙোন্দা অচৌবা অমসুং অঙকপা থবকশিং উৎনিঙই। ... যারেমাইঃ ৩৩ঃ৩ করিগুম্বা নংনা নংগী পুক্লিং হকচাং পুন্না ঐবু থিরবদি, ঐবু ফংবা ঙমগনি। ...অনি ৱাঃ ৪ঃ২৯ ঐঙোন্দা পেনজৌ অদুগা ঐনা নংগী থম্মোইগী অপাম্বা অদু পীগনি। ...ঈশৈঃ ৩৭ঃ৪ মরমদি নংঙোন্দা পিরিবা ৱাখলশিং অদু ঐনা পিবনি। ...ফিলিঃ ২ঃ১৩ নংনা খনবদগী হেন্না ঐনা তৌবা ঙম্মই। ...এফিঃ ৩ঃ২০ মরমদি খ্বাইদৈ চাওবা নংবু থৌগৎপা অদুদি ঐনি। ...২ থেসোঃ ২ঃ১৬-১৭ নংগী অৱাবা খুদিংদা থৌগৎপিবা মপা অদুসু ঐনি। ...২ কোরিঃ ১ঃ৩-৪ নংনা পুক্লিং নুঙাইতবা মতমদা, ঐ নংগী ননাক্তা নক্না লৈ। ...ঈশৈঃ ৩৪ঃ১৮ য়াও শেনবা অমনা য়াও মচা অমা পমবদৌনা, ঐনা নংবু ঐগী থম্মোয় নাক্তা পম্মী। ...য়াসাইঃ ৪০ঃ১১ নোংমদি ঐনা নংগী মিৎলু পিরাং পুম্বা তৈথোকপিগনি। ...ফোংদোঃ ২১ঃ৩-৪ অদুগা মালেম অসিদা নংনা নংলিবা অৱাবা পুম্বগী চৈনা লৌথোকপিগনি। ...ফোংদোঃ ২১ঃ৩-৪ ঐ নংগী নপানি, অদুগা ঐনা ঐগী ইচা নিপা যীশুবু নুংশিবগুম নংবুশু অদুক্কী মতিক নুংশি। ...যোহান ১৭ঃ২৩ মরমদি, ঐনা নংবু নুংশিবসি যীশুদা ফোংদোক্লে। ...যোহান ১৭ঃ২৬ যীশুদি ঐগী ইহুৎ শিনবনি। ...ইব্রীঃ ১ঃ৩ ঐ নংগীনি, ময়োক্তা নত্তে হায়বা উৎননবা মহাক লাকখি। ...রোমঃ ৮ঃ৩১ অদুগা ঐনা নংগী পাপ মখে মশিং থাদে হায়বা নঙোন্দা তাকননবনি। ...২ কোরিঃ ৫ঃ১৮-১৯ যীশুনা শিখিবগী মরমদি নং অমদি ঐ অমুক তিনবা য়াননবনি। ...২ কোরিঃ ৫ঃ১৮-১৯ মহাক্না শিখিবা অদুগী মরমদি নঙোন্দা ঐনা নুংশি উৎননবনি। ...১ যোহান ৪ঃ১০ নংগী নুংশিবা ফংননবা ঐনা পামজবা খুদিং থাদোকখি। ...রোম ৮ঃ৩১-৩২ নংনা করিগুম্বা ঐগী ইচা নিপা যীশুগী খুদোল ফাংজরবনি, নংনা ঐবু ফংজরবনি। ...১ যোহান ২ঃ২২ অদুগা ঐগী নুংশিবদগী নংবু করি অমত্তনা অমুক লৌথোকপা ঙমলোই। ...রোমঃ ৮ঃ৩৮-৩৯ য়ুমদা হল্লকউ অদুগা স্বর্গদা অমুক্তসু পাংথোকত্রিবা অচৌবা চাকখাং নংগীদমক খাংগে। ...লুক ১৫ঃ৭ ঐ মতম চুপ্পদা মপা অমা ওইনা লৈ অমসুং লৈগনি। ...এফিঃ ৩ঃ১৪-১৫ ঐগী ৱাহংদি। নং ঐগী ইচ ওইরোইদ্রা? ...যোহান ১ঃ১২-১৩ ঐ নংবু ঙাইদুনা লৈরি। ...লুক ১৫ঃ১১-৩২

*নুংশিনা, নংগী পাবুং*

**শিদবা মপু ঈশ্বর**